ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯦ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ০৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৪০শুবা মশীং

# কষ্টদিএল টোর্চর/দেঠ
## কৈদৌবৈ অমুক হৌদোরকইনো

পুলিস মোদর্ননাইজেসনগী মখাদা লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা পুলিস ওর্গনাইজেসনশিংবু মতমগা চপ-চানা চুনবা ফোর্স অমা ওইনা শেমগৎলকপদগী কনবা য়াবা মপাঙ্গল কনখৎলক্লে হায়দুনা অফাবা মীওই অমা শিবগী চৈরাক্তি লায়রদনা পুলিসনা মখল অমত্তগী চৈরাক পীবা ঙম্ব্রা? ৱাহংসিগী পাউখুম মণিপুরগী পুলিস পর্সনেলশিং মরু ওইনা কেস অমগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর ওইবা য়ারবশিংদা খুন্বীদুনা ময়েক শেংনা খঙহনবীগদবনি। মসি হায় হায়দুনা কেস অমগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্তা চেন্নদুনা নৎত্রগা চিংনদুনা ফারবা মীওই পূম্নমক্তগী কেসতুগা মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং ফংনবা, মেটরিএল ওবজেক্টশিং রিকোভর তৌনবা হোৎনরকপদা এরেষ্টিশিংদুগী মতু নাম্মা তেকহনগনু হায়বা নত্তে। মরম লৈবদগী ফারবা মীওই পূম্নমকপু মখোয় মখোয়না কম্মিট তৌরুবা ওফেন্সশিং অদুগীদমক লোনা পীবা চৈরাক পীবা য়ানবগীদমক চার্জশীটনচিংবা থাগৎলক্তুনা প্রোজিক্যুট তৌনবা হোৎনফম থোকই, হোৎনগদবনি। অদুবু থৌদোক-ৱাথোক, ক্রাইম অমগী সস্পেক্টনি হায়দুনা ফাগৎপশিংবু কেসতুগী সোল্যুসন পুরক্লবনি হায়দুনা মথুন তৎনবা য়ৈদুনা মথন্তা লেকথরগা শিজনবগী চাং য়ৌনা উকাই তকথরকপগী ফীভমসিদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা, ইক্বিপমেন্টতা, য়ুনিফোর্মদা, তোলোপতা মোদর্ন পুলিসমেনশিং ওইহল্লক্লগসু মশা-মশাদি থায়নগী থনা, দারোগা হায়বদুদগী অহোংবা লাক্তবনি হায়রক্তবা য়ারোই। পুলিস কষ্টদিদা অফাবা মীওই শিবগী থৌদোকসি হন্দক্কী ইম্ফালগী শগোলবন্দগী কাংঙবম লৈকায়দগী সনা শাবা (সনা শুবা) নহা অমগী থৌদোকসিনা অহানবা নত্তে। মথন্তা থৌরি য়াল্লগা শিজবনি হায়বা থৌদোকশিং ফাওবা খ্বাইদগী য়াম্না চেকশিল্লবা মফমশিং ওইরিবা জেল অমসুং পুলিস ষ্টেসন খরদা ফাওবা থোক্লিবা মণিপুরনি। লোইনা কোখোক্তুনা চিংথোক্লুদ্রবসু অদুঙৈ বেবি লুংনিলা ইলিজাবেঠ মর্দর কেসকী প্রাইম এক্কুজ অমা ওইখিবা থোকচোম নন্দোনা জুদিসল কষ্টদিদগী নান্থোক্তুনা চেনখিবা থৌদোক্তদি পুলিস পর্সনেল অমা ফাওবা ইন্টরোগেসনদা শিখি। নান্থোকখিবা অন্দর ট্রাইএল প্রিজনর অদুগী খোঙ্গুল লিবা ফাওবা ঙমখিদে। মসি নত্তবা কষ্টদিএল টোর্চর/দেঠকী থৌদোকশিং মণিপুরনা লৈবাকসিগী অতৈ মফমশিংদগী খ্বাইদগী মশীং য়াম্না থোকখি হায়বদা ফাওবা হেঞ্জিনবা ৱাফম ওইগদবা মান্দ্রে।

অদুবু অসিগুম্বা থোকহনফম থোক্তবা, থোকহল্লোইদবা থৌদোকশিং অসি হৌখিবা চহী খরদা থোক্লুদ্রবা মতুংদা অমুক নৌহৌননা কৈদৌবৈ থোকহল্লক্লিনো? ৱাহংসিগী পাউখুমদদি চেন্নবনি হায়দুনা তেকচাক পূম্নমক নমশিন্দুনা সব-ইন্সপেক্টর অমা সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌবা খক্তুনা মতিক চাবা পাউখুম ওইরোই। মহাকপু কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোল তৌরিবা, মকোক-মরূ ওইরিবা মকোক থোংবা ওফিসলশিং চেনবা য়ারোই। মখোয়-মখোয় মতিক চাবা ৱাৎপদগী, অশোয়বা-অহোবশিং লৈবদগী অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোরক্লিবনি। ইকুই-কুইদ্রিঙৈদসু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দগী অফাবা মীওই অমা মখোঙনা নান্থোক্তুনা চৎখিবগী থৌদোক লৈখিবনি। গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদগীনা হোম দিপার্টমেন্টপু খূৎপায়নরিবা মিনিষ্টর/চীফ মিনিষ্টরনা অনৌ-অনৌবা থৌশিল-থৌরাংশিং পংহৌদা হৌদোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা পীনবনি হায়দুনা হোৎনরকপবুদি ফৈ, থাগৎলি। অফবা খোঙথাংনি। অদুবু অনৌবা থৌরাং থৌশিলদুগা চাং মান্ননা অনৌবা অহোংবা মথৌশিং পাঙথোকহন্ননবা ষ্ট্রিমলাইন তৌবীহৌগদবনি। মসিগী অহোবা লৈখিবদগীনি ৱার ওন ড্রগস-টু চত্থরকপা, টাস্ক ফোর্স ফাওবা শেমগৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা মীওই অনী মহাবলি এরিয়াদা দিটেন তৌরগা কারন তৌরকই হায়দুনা নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী হেদ কন্সটেবল মরিগা কন্সটেবল অমগা পূন্না পর্সনেল ৫ থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবগী থৌদোকসু ফোং-ফোং শারিবনি। মরম অসিনা মকোক থোংবা হোম দিপার্টমেন্টকী থৌপুবশিংনা মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেসনবু হীরম খুদিংমক্তা মতমগা চুনবা ওইহন্নবা থবক পায়খৎলু। পর্সনেলশিংগী চাং নাইবা রিফ্রেসর কোর্সশিং পাঙথোকপীয়ু। ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরশিংনা মখল কয়াগী কেসশিং হেন্দল তৌবদা লিনসু শিবা, চৈশুসু তেক্তবগী ফীভম ওইহল্লক্লবা করি করম্বা থবকশিং লৌখৎকদগে হায়বরোমদা কোক থাদৌ। অঙম্বগী থৌদানি, ইন্দ্রগনা চৈরাক পীগনি হায়দুনা য়াচল লাক্তুনা কাও থাবদৌনা থাবগী ফীভমদা অদুম্মক লৈরবদি অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি মখা তানসু থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। থোরক্লবদি মীৱা-মীশাসু অদুম্মক লাংখিনি। মীয়াম্নসু থাজবা মাঙলক্কনি। পুলিস-পব্লিক রিলেসনগী মরী চেৎশিনবদি লায়রদনা থদৎহল্লক্লবগী মচাক য়ামখৎলক্কনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১

১) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মনুংদগী ৱারী অনীখক, **"য়াম্না হকচিনবা নুংশি নুংওনগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। অনীমক পাখঙ লৈশাবী, নুংশিনবা ৱানা থুংনবা নৎত্রগা কায়নবা নত্তে। য়ূম পাল্লবা, নুংশিননা লৈরবা তুংদা কায়নবা অমসুং অঙকপা থৌনাগা লোয়ননা হঞ্জিন্নবা ঙাক্তনি।"** ৱারী অনীসি মমিংসু ওইরিবা লাইরিক্তু করিনো?

২) **"মিৎয়েং অমা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৩) **"ত্যাগ পত্র"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"লীগী লীশাগা শম্নবা/খূৎনা পায়বগুম লৈরিবা/চাংজৌ নীঙজোন্দে তাখ্রবা/গম্ভীরা তুরেল মহাক্কী/অমুবা লাইজ চরৈবু/হাইদোক্লগা কুমথরকপা/নঙনা লম্ফে চৎলুবদি/য়াম্না লুনা থোক্লরনি।/মহাও খঙলবা কনানা/খ্বাঙদৈ চরৈ নান্থখ্রবী/নুজা মাবু হুন্দোক্তুনা/খোঙশানবা ঙম্বা য়াওবগে?"*** শৈরেং মতেক অসি মহাকবি কালিদাসকী "মেঘদুত" হায়বদুদগী মণিপুরী অনুবাদতগীনি। অনুবাদ তৌরিবসি কনানো?

৫) ১৯৪৯ ইং নবেম্বরদা অহানবা নম্বা **"ইখৌ-লাংবা"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মতমসিগী অয়োকপা ঙা অমদি মনা-মশিংগী ফীভমশিং

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

সাইন্স অমসুং কম্প্যুটরগী মতিক্না মীওইবনা চাওখৎ-খোঙথাংগী লম্বীদা অসুক্কী মতিক হেন্দোক-ফাদোক্না চৎপা ঙম্লবসু অমসুং অতিয়া পক্নমক ৱাংনা চাওখৎলবসু, মীওইবনা মীওইবগী থৱায় হিংননবগীদমক নুমিৎ খুদিংগী চানরিবা অয়ূক অমসুং নুমিদাংগী চরাশিংসিদি খক লেপহনবা ঙম্লোই। চরাশিংসিগীদমক হৱাই-চেঙৱাই অমদি মনা-মশিং, ইংরাজিদা হায়রগা ভেজিটেবল আইটেম হায়না খঙনরিবা পোৎশকশিংসি মীওইবগী হকচাংগীদমক খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তাবা চিঞ্জাকশিং ওই। চিঞ্জাকশিংসিমক্না মীওইবনা হিংদুনা অমসুং ৱাখল খন্দুনা পুন্সিগী ওইবা থৌদাংশিং পূম্নমক মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমহল্লিবনি অমসুং চাওখৎ-খোঙথাংগী লম্বীশিংসিদসু খোঙ থাংজিনবা ঙম্লিবনি। মরকসিদা, মীওইবগী লুরবা চিঞ্জাকশিং ওইরিবা মনা-মশিংগী আইটেমশিংসিনা ৱাখল থেনবদগী মীওইবনা মীওইবগী হকচাং মাঙহন্নবা অমসুং লায়না-তীলনা কয়া লেপ্তুনা পোকহল্লক্লবা মওংদা চিঞ্জাকশিংসিদা তত্তনা পোৎয়ান কয়ামরুম য়াওহনবগী থৌদৌশিং অমদি ফত্তবা পোৎশকশিং ওনহল্লক্লবগী মরমশিং চত্থনরিবসিদি অচুম্বা থৌদৌ খক ওইরোই। মণিপুরদা মীওইবনা নুমিৎ খুদিংগী চানরিবা এঞ্জাং-নাপি অমদি মনা-মশিংশিংদা কা হেন্না খূৎশেমগী হারশিং হাপচিন্দুনা অমদি খূৎশেমগী ওইবা হীদাক-লাংথকশিং কাপশিন-চাইশিন্দুনা মীওইবগী হকচাং মাঙহনবা য়াবা মওংদা, শুপ্নগী পীকখ্রবা শেন্দোং মচা খরগীদমক চাংদম্ননীংঙাই লৈতনা ফত্তবা থবকশিং পায়খৎনবগী মমি তারি। থৌদৌশিংসিগী মরমদা খরদং খন্ন-নৈননবগী মতম ওইরে।

ইরমদমসিগী কৈথেলশিংদা হৌজিক ফংনরিবা লৈন-য়োন্নরিবা ফার্মগী ঙাশিং অমদি মনা-মশিংশিংসি মখোয়বু য়োকপা অমসুং কোয়বা মতমদা অসুক্কী মতিক খূৎশেমগী ওইবা হীদাক-লাংথকশিং অমদি হারশিং শীজিন্নবগী মমি কা হেন্না তারি। মরু ওইনা এঞ্জাং-নাপিগী আইটেমশিংদা থবী, সেবোট, মাইরেল, খোংদ্রুম, য়েন্দেম, থাংজিং, ইকাইথবী অমদি মোরোক অতেকপনচিংবা মখলগী পোৎশকশিংসিদা মখল মখলগী হীদাক লাংথকশিংগী চাংয়েংশিং শীজিন্নরি। হৌজিক ফংলিবা মণিপুরগী মনা-মশিংগী পোৎশকশিংসিগা মমাঙঙৈদা ফংলম্বা পোৎশকশিংগা ৱাখলনা চাংদম্নদুনা য়েংবদা অসুক্কী মতিক খেন্নবশিং উবা ফংই। ৱাফমসি লমদমসিগী মীওই কয়ামুক্না খঙনরবা অমসুং থেংনরবা ঙাক্তনি। ফীভমসিদা মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক কৈথেলশিংদা য়োল্লিবা মনা-মশিংশিংসি লৈরগা চাগদৌবা কিবা পোক্লরকপগী ফীভম ফাওবা য়ৌনা মীওই কয়ানা পন্নরক্লি। অদুম ওইনমক, এগ্রিকলচর/হোর্টিকলচরদা ডোক্টরেট দিগ্রী ফংলক্লবা লমদমসিগী মীওই খরনদি ৱাফমসি তশেংনা অরানবা ওইরমগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লদবদি নত্তে। অদুবু লুরিবদি, মীয়াম্না ঙাঙনবা ঙাক্কী ৱাফমশিং নত্তনা ঐখোয় ইশা-ইশানসু মতমসিগী এঞ্জাং-নাপিগী মখলশিং কৈথেলদগী লৈরুরগা চাকশঙদা মতম খরদং নৎত্রগা রেফ্রিজিরেটরদা হাপ্লগা থম্বদা থায়নগী মতমদা ওইরম্বা এঞ্জাং-নাপিগী ফীভমশিংদুগা হৌজিক্কী মতমগী এঞ্জাং-নাপিশিংনা ওইরক্লিবা ফীভমশিংসিগদি অসুক্কী মতিক খেন্নবশিং উনরে। হৌজিক্কী মতমগী মরোই নাকুপ্পী, থাংজিং অমদি অতৈ মরোই-মপাংশিং নুমিৎ নীনি শুনা খক থম্বা য়াদ্রি। অয়াম্বনা খোঙলৈ থুনা পৎশিন-পুমশিল্লকপা অমসুং মহী চেন্দুনা মাঙবগী থৌদৌশিং অসুক্কী মতিক তোয়না থেংনরি। ফীভমশিংসি থাংজিং পাম্বীগী মখোঙদা য়ুরিয়ানচিংবা খূৎশেমগী হারশিং তোয়না হাপ্নরকপা অমসুং মরোই নাকুপ্পীনচিংবদা হেঞ্জিনবা মওংগী হার নৎত্রগা খূৎশেমগী হীদাক লাংথকশিং হাপ্নরকপদগী থোক্লকপা শোয়দনা ওইরমগনি খন্নরি। ফীভমশিংসিদা ৱাখলদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতত্রিবসি, মীওইবনা অতৈ হীরমশিংদা মীনম-শোরিদুনা নত্তবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা শেল হেন্না তান্নবা অমদি শেন্দোং হেন্না ফংনবা পাম্বৈশিং তত্তনা পুথোক্লরবসু তঙাইফদনা হীংনবগীদমক অমসুং হকচাং ফনা, তিঞ্জং-কায়জংদনা লৈনবগীদমক মপূং ওইনা চানরিবা মীওইবগী চিঞ্জাক্কী মখলশিংসিদদি অসিগুম্বা মখলগী থৌদৌশিংসি লেপহনবনা চুমগনি খল্লি। ঐখোয় ইশানা ইশাগী ইপুন্সি ককশিঞ্জনবা অমদি লায়না-তীলনা কয়ানা য়োল্লবা মীশক অমমম ওইরকহন্নবগীদমক শিঞ্জবা হায়বসি মীওইবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না পংবা থাক্কী মীওইশিংগী ৱাখল্লোনশিংদা শোয়দনা চিংগনি। থৌদৌশিংসি তশেংনা মালেমগী ওইনা চত্থনরকপা থোক্লবদি মীওইবা কৌবা কাঙলূপসি মালেমগী লৈমায়সিদা কয়াম কুইনা হিংদুনা লৈখিনি। মীওইবনা হিংনরিবসি শুপ্নগী চিঞ্জাক হায়বা পোৎশকসি খক্তগী মপান তাংলগনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না খক কাউফম থোক্তে।

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মেদিকেল সাইন্সনা হীরম কয়ামুক্তা মীওইবগী হকচাংদা শোক্লক্লিবা অমসুং নারক্লিবা অনা-অয়েকশিংগী মরমদা লায়েংনবা অমদি মাঙজৌননা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎহৌনবা পাম্বৈ কয়ামরুম পুথোক্লবা হোৎনরি। তাঞ্জাসিদা, মায়কৈ অমরোমদা ঐখোয়না ইশানা ইশাবু লায়না-তীলনা কয়ামরুম্না নারকহন্নবা অমসুং পুন্সি ককশিনহন্নবগী থৌদৌশিং পায়খৎপা হায়বসিদি তশেংনা লানবনি। ৱাখল অমরোমদদি ৱাফমসি অসুক্কী মতিক লুনা খন্ননীংঙাইসু ওই। চুম্নগী এঞ্জাং-নাপিখক্কী ৱা নত্তনা হৌজিক্কালসিদি ঐখোয়না চানরিবা কৈথেলদা য়োল্লিবা লমদমসিগী ফিসরি ফার্ম কয়ামুক্না পুথোক্লিবা ঙাগী পোত্থোকশিংসিদসু মখল-মখলগী ঙাশিংগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা মওং-মতৌশিং উবা ফংনরি। হৌজিক্কী মতমগী ফার্মগী ঙাশিং য়াম্বা অতেনবা মতমগী মনুংদা খোঙলৈ থুনা চাউনবা হোৎনবদা মখল-মখলগী মচিঞ্জাকশিং অমদি হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নবগী মমি তারি। অসিগুম্বা মখলগী ঙাশিংসিদা চাবদা মহাউ করিমত্তা লৈতবা, ইচম চম্বা, ফাবা কুইদ্রিঙৈদা অতেনবা মতমগী মনুংদা পত্থ-পুমথগনবা অমসুং থোং-থাকপগী মতাংদসু মশা পূম্নমক মচেৎ-মচেৎ তানা পংপোক্তা পোকখায়বগী থৌদৌশিং শোয়দনা উবা ফংনরি। থৌদৌসি ঙাশিংসি য়োক্লকপা মতমদা মতম শুদনা, অতেনবা মতমগী মনুংদা হেন্না চাউরৈ কন্নবা হোৎনখিবা অমসুং অপিকপা ঙাকোমগী এরিয়াশিংদা মশীং হেন্না চনন্নবা ঙাশিং থাদরগা মশাগী নোর্মেল ওইবা মচিঞ্জাকশিং চাবা ফংহন্দবা অমসুং খূৎশেমগী ওইবা মচিঞ্জাকশিং খক্তনা চাওহল্লকপা মখলগী ঙাশিং ওইরম্বা য়াবগী থাজবা য়াম্না চাউনা লৈ। থৌদৌশিংসিনা ফিসরি ফার্ম তৌরিবা মীওই খরদদি অতেনবা মতমগী মনুংদা চাউনা শেন্দোং ফংহল্লম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং, অসিগুম্বা খূৎশেমগী মচিঞ্জাক অমসুং হীদাক লাংথকশিংসি কা হেন্না পীজরগা চাওরকপা ঙাশিংদুবু চারুগদৌরিবা মণিপুরগী মীশিংগী মশীংসি চাম্মা-চনিগী ৱাফমখক্তি খক ওইরোই। ফীভমসিদা করিগুম্বা খূৎশেমগী অমদি অতৈ মখলগী মচিঞ্জাকশিং অমসুং হীদাক-লাংথকশিংগী সাইদ-ইফেক্টশিংনা ঙাশিংদুবু চারুবা মীওইশিংদা হকচাং শোকহন্নবগী মরমশিং ওইরক্লবদি কনানা মদুগী থৌগাইশিংদু পুগদৌরি। হীরমসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মীৎয়েং মথৌ তারকই। ৱাফমসি শুপ্নগী ফার্মদা য়োকপা ঙাশিং খক্তগী ৱাফম খক্তসু নত্তে। কা হেন্না খূৎশেমগী হার অমসুং চাউরৈ কন্নবা হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নদুনা ইঙ্খোল কোয়বীরিবা, মনা-মশিংশিং থাবীরিবা ফার্মর ইচিন ইনাওশিংগী মফমদসুনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে। হায়রিবা ফার্মরশিংসিগীসু য়েংশিন্নবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী অহকপা থৌদাংশিং মথৌ তাই।

অসুম্না লমদমসিদা ঐখোয় মশেল পুল্লপ মাঙমীন্নবা য়াবা থৌদৌশিং, শুপ্নগী মীওই খরখক্কী শেন্দোংগী লম্বী খক য়েংলগা পাঙথোকপসি অচুম্বা থৌদৌ ওইরোই। কাঙলূপ অমদি খুন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং চেলহন্দুনা, তঙাইফদনা মীওইবগী চিঞ্জাক্না মরী লৈনবা হীরমশিংদা ফার্ম তৌরিবা ইচিন-ইনাওশিংদসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহকপা পাউজেল কয়ামরুম থমহন্নীংই। নত্তদুনা, থৌদৌসি ফার্মরশিংনা পাক্তক্লনা চৎনবী অমা ওইনা চত্থরকপা থোক্লবদি তেল্লবা মতম খরখক্কী মনুংদা ইরমদমসিগী মীয়ামসি শোয়দনমক্কী অনা-অয়েকশিংতনা পীক থল্লক্লগনি। লোয়ননা অরেম্বদা মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়ামুক অমগী পুন্সিশিংসু খাঙুথক্তা মাঙহনখিবা য়াই। মরমসিনা মীওইবনা তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা চিঞ্জাক্কী আইটেমশিংদা ফার্ম তৌবীরিবা ইচিন-ইনাওশিংনসু মতম লৈবা খিবিক্তা হীরমসিদা খজিক্তংদা ওইরবসু খন্থহন্নীংই। তুংগী খুন্নাইসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু মশা-মউ ফনা অমসুং তিঞ্জং কায়জংদনা থম্নবা হোৎনবদসু ফার্মর ইচন-ইনাওশিংনা অচৌবা থৌগায় লৌহন্নীংই। খন্থরগা পাঙথোকপা থবক হায়বসিনা কৈদৌঙৈদা খক অতোপ্পশিংদা অকায়-অতোয়শিং থোকহন্দে। ●

# লমদম অমগী পোত্থোক ফজনা শীজিন্নবা

- আনন্দ লাইশ্রম -

মোরিঙা কৌবা উ অসি খ্বাইদগী কান্নবা ফংবা উ-ৱাশিংগী মরক্তা চল্লি। মোরিঙা উগী মনা, মরা, হৈ, মরূ লোইনমক শীজিন্নবা য়াই। মোরিঙাদা ভিটামিন, মিনরেল মখল-মখল য়াম্না য়াওই। মোরিঙাদা য়াওরিবসি : - কোমলাদগী হেনবা ভিটামিন সী; লফোইদগী হেনবা পোটাসিয়ম; শঙ্গোমদগী হেনবা কেলসিয়ম; গজরদগী হেনবা ভিটামিন এ অমদি স্পিনচ (Spinach) দগী হেনবা আইরননি।




মোরিঙাগী মরূদগী শুংবা থাওদুসু মায় অমদি শমদা তৈবা য়াই। মোরিঙাগী থাও অসি য়ুবী থাওদগী হেন্না কান্নবা ফংহল্লি। অসুক য়াম্না কান্নবা ফংবা তারবসু ফজনা শীজিন্নবা ঙমদ্রবদি কান্নবা লৌবা ৱাবা য়াই।

মখা তানা য়েংমিন্নসি। মোরিঙাগী উ ইন্দিয়া অমসুং অফ্রিকাগী লমদম খরদা হৌই। অফ্রিকাদা লৈবা মীওই অয়াম্বনা লায়রবা ওই। শেল থোকফম লৈতবগী অৱাবগী মথক্তা চাবা-থকপা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা মালন্যুত্রিসনগী অৱাবা অমসু য়াম্না চাউনা থেংনৈ। মীওই অয়াম্বা লৌউবগী থবক্তা য়াওই।

মীয়াম্না থেংনবা অৱাবা ময়াম অদু উরগা মোরিঙা হায়রিবা উ অসি থানবা ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমসুং অতোপ্পা লূপ কয়ানা মীয়ামদা মতেং পাংই। লৌউবা মীয়াম্না মোরিঙা উ অসি থাবা তারবসু মখোয়না কান্নবা ফজনা লৌবা ঙমখিদে। য়ূম য়ূমদা মোরিঙা থানরবসু মার্কেট অমগা শম্নদবা অদুনা মরম ওইরগা মোরিঙাগী পোত্থোক য়োন্থোকপা ঙম্নরমদে। য়োনবা ঙম্নদবা অদুনা মরম ওইরগা পোত্থোক অয়াম্বা পুল্লগা-পৎলগা মাঙনরম্মী।

মসিগী মরক অসিদা কুমজা ২০১৪দা MoringaConnect কৌবা কম্পেনি অমা অফ্রিকাগী ঘনা কৌবা লমদুদা হৌগৎখি। MoringaConnect হায়রিবা কম্পেনি অসিনা লৌউবা ময়াম্বু মতেং পাংনবগী থবক পায়খৎলি :

১) মখোয়না লৌউবা ময়ামদগী মোরিঙা লৈরগা মার্কেটতা য়োনবা য়াবা মওংদা ওন্থোকই। মোরিঙাগী মনাদগী পাওদর শুংলগা সপ্লিমেন্ট পাওদর, চা (tea) অমসুং ইনর্জি বার ওইনা য়োল্লি। ব্রান্দ মমিংনা Minga Foods হায়না কৌই। মোরিঙাগী মরূদগী থাও শুংলগা ব্যুটি প্রদক্ট মখল মখলসু পুথোকই। ব্রান্দ মমিংনা True Moringa হায়না কৌই। পোত্থোক ময়াম অসি সুপরমার্কেট অমসুং ওনলাইনদগী ফংহল্লি। অফ্রিকাগী মফম কয়াদা অমসুং অমেরিকাদা য়োনবগী থবক পায়খৎলি। মখোয় মশানা য়োনবা খক্তা নত্তনা অতোপ্পা কম্পেনি ময়ামদসু মোরিঙা পাওদর অমসুং থাও য়োল্লি।

২) লৌউবা ময়ামগী লূপ (গ্রুপ) শারগা MoringaConnect না মখোয়দা ট্রেনিং, মরূ (seeds) অমসুং খূৎলায় (tools) ফংহল্লি। লূপ খুদিংগী ফিল্ড ওফিসর অমমম লৈ। ফিল্ড ওফিসরদুনা লূপতা য়াওবা লৌউবা ময়ামগা থা খুদিংগী ৱা তান্নরগা মখোয়গী অৱাৎপা ময়াম থুংহন্নবা মতেং পাংই। মোরিঙা হেন্না ফজনা থাবা ঙম্নবা অনৌ-অনৌবা টেক্নিকসু তাকপগী থবক পায়খৎলি। লৌউবা ময়ামদা ফাইনান্সিএল লোনসু ফংহল্লি।

MoringaConnect না হৌজিক ফাওবদা মোরিঙা উ লাখ ২০গী মথক্তা থাখ্রে। মখোয়না ইমুং লিশীং মঙাগী মথক্তা কান্নবা ফংহনখ্রে। লৌউবা ময়াম্না MoringaConnect গা পূন্না থবক তৌমিন্নবদগী শেন্থোকসু য়াম্না হেনগৎলে। হান্না ফংনরম্বা ইনকমদগী হৌজিক্তি লৌউবা ময়াম্না 4-10 times হেন্না ইনকম তানবা ঙম্লে।

MoringaConnect কী ৱারীসিদগী ঐখোয়না তমজবা য়াবা য়াম্না লৈ। লমদম অমদা পোত্থোক য়াম্না থোকপা তারবসু ফজনা য়োনফম অমা ফংদ্রবদি কান্নবা লৌবা য়াম্না ৱাই।

লমদম অমগী পোত্থোক ফজনা য়োনবা ঙম্নবা মার্কেটিং অমসুং ব্রান্দিংসু য়াম্না মরু ওই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।